HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

# হুইয়েন লানপাউ

The Largest Circulated Newspaper in Manipur

Member : Audit Bureau of Circulations (ABC), Media Research Users Council India (MRUCI) & Indian Newspaper Society (INS)




আর্ট এন্দ কলচরগী দিমান্দস ফোর গ্রান্টসকী খন্নরকপদা ওপোজিশন এম এল এ, কে মেঘচন্দ্রনা পুখৎলকপা কট মোশনগী পাউখুম মিনিষ্টর খুরাইজম লোকেননা এসেমব্লিদা পীখিবা


লৌশিং পূক্কে : অলকোহোল কা হেন্না হায়বদি য়ু... ☛ লামায় ২

লামায় ৪ ☛ য়াওশঙ অমদি অতৈ হরাও কুম্মৈ

হা কুকি ! তূন্নে কুকি, চৎলে কুকি, ফন্নে কুকি, করম্বা... ☛ লামায় ৫

লামায় ৬ ☛ মপান লৈবাক্কী অখণ্ড-অহৈশিংগা পরিং নাইনা...

ইরানগী সুপ্রিম লীদর মোজটবা খামেনৈ... ☛ লামায় ৮

লামায় ১২ ☛ এম এন সী এ ইলিট ত্রোফিঃ এস সী সী সী শীংজমৈ...


এসেমব্লিদা ঙরাং পুলিসকী দিমান্দস ফোর গ্রান্টসকী দিস্কশনদা ওপোজিশননা পুখৎলকপা কট মোশনগী পাউখুম হোম মিনিষ্টর গোবিন্দাস কোন্থৌজমনা পীখিবা





Vol. 50, Issue No. 328 | শগোলশেন, লমতাগী ২৪নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Thursday, March 12, 2026, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50


### মীতোপ খন্দোক্ত্রিঙৈদা সেন্সস পাঙথোকপা য়ারোই হায়দুনা

## দেমোক্রেটিক ওইবা মওংদা খোঙজং চঙশিল্লকপশিং সিক্যুরিটি ফোর্সনা লাকশিন্নবা হোৎনবদা ১৪ শোক্লে

**ইম্ফাল, মার্চ ১১ (ঐচএনএস) :**
জষ্ট এন্দ ফ্যের দিলিমিটেশন (জে এফ দি)না মতম খরগী মমাঙদগী মণিপুরদা মীতোপ খণ্ডে দাকপগী থবক মপূং ফানা চথদ্রিঙৈ নৎত্রগনা এন আর সী চৎনহন্দুনা মীতোপশিংগী মশীং অমসুং মশক খণ্ডদোক্ত্রিঙৈগী মাঙওইননা য়ুনিয়ন লৈঙাক্না পাঙথোক্কনি থৌরাং তৌরক্লিবা সেন্সস ২০২৭কী থবক চথবা য়ারোই হায়দুনা তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা চৎতুনা লূপ কয়াগা খূৎশম্নদুনা মীয়ামগা ৱাখল তামিন্নবগী মীফমশিং পাঙথোরক্লিঙৈগী চৈরক্তা হায়রিবা থবকশিং অসি পাঙথোক্কদবনি হায়দুনা ঙসি খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলগী পোৎফম ফম্বীশিংনা দিমান্দশিং অসিবু তকশিন্নবা এসেমব্লি তম্না খোঙজং চঙশিনবা হৌরকপদা মখোয়বু লাকশিন্দুনা কন্ত্রোল তৌনবা হোৎনরকখিবা সিক্যুরিটি ফোর্সকী মরক্তা চাউনা মুক্নরকপদগী সিক্যুরিটিনা চৈনা কনবা য়াওনা টিয়র গ্যাস সেলশিং শীজিন্নরকপদগী মীওই ১৪ রোম



অশোক অপন নংখ্রে।
নাকল অনীগী মুক্নবদা ফীভম লুনা শোক্লবা মীওই মঙা রিমসতা লায়কন্নখি। মখোয় অদুদি চীংঙামখাদগী অহৈবম বিমোলা (৭০), খোঙ অমদি পুকচেপ্তা চৈনা পানবা, লিলোং হঙ্গামথাবীদগী রুক্সনা বিবি (২৯), য়েৎ থংবা খোঙদা শোকপা, ফয়েং খারম খুনৌদগী চীংঙাখম পুর্নিমা (৫২), য়েৎ ...মখা লমায় ৩ কলম ১

## থৱায় কুকি খুলদা নোংমৈ কাপ্নখ্রে, ১ শোক্লে পেসেঞ্জর ২০ লোম তোংবা ৱিঙ্গর হায়জেক্ট তৌখ্রে

**ইম্ফাল, মার্চ ১১ (ঐচএনএস) :** মতম খরগী মমাঙদগী উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী লিতান পুলিস ষ্টেশননা কোনবা মফমশিংদা খুন্দামিন্নরিবা তাঙ্খুল অমসুং কুকি অনীগী মরক্তা থোকহন্নীংদবা থৌদোকশিং মথং-মথং থোরকপদগী উখ্রুল দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেশননা কর্ফিয়ুগী অথিংবা থম্বদা নত্তনা অহেনবা ষ্টেট/সেন্ট্রেল ফোর্সশিং দিপ্লোই তৌদুনা লাকশিন্নবা কন্না হোৎনরিঙৈগী চৈরক্তা ঙসি অয়ুক পুং ৮.৪০ রোম তারকপদা থৱায় কুকি খুল অমসুং তাঙ্খুল খুল অনীগী খুল ঙাকপা ভোলন্টিয়রশিং য়াওনা কুকি মিলিটেন্টশিংগা ওনশিন্নদুনা নোংমৈ কাপ্নখ্রে। পুলিসতগী ফংবা পাউনা হায়বদা নাকল অনীনা মিনট ২৫ রোম খূৎ হন্নদুনা নোংমৈ কাপ্নখি অদুবু অশোক অপনদি অমত্তা য়াওদে হায়রি।
অদুম ওইনমক থৌদোক অসিগী মতাংদা পাউচে অসিনা ফংবা পাউনা হায়বদদি থৌদোক অসিগী মনুং চন্না থৱায় কুকি খুলগী কুকি অনী শকখণ্ডবা খরনা ফারগা ফূবদা নত্তনা মখোয় অনীগী মনুংদা অমদি মখোঙদা নোংমৈ বেরেলনা কাপ্লম্বদগী শোক্তুনা সাইকুলগী কম্যুনিটি হেল্থ



সেন্টরদা লায়কন্নখ্রে। মহাক্কী মমিং গিন্থাং হাওকিপ কৌই। অদুগা মহাক্কা চৎমিন্নখিবা মীওই অদুসু মফম খণ্ডদ্রি হায়রি।
থৌদোক অসিগী পাউ তাবদগী পুলিসনা সেন্ট্রেল ফোর্সশিংগা খূৎশম্নদুনা মহাক্কী খোঙ্গুল লীরি অদুবু ঙসি নুমিদাং অথেংবা ফাওবদা মহাক ফংবগী পাউ ফংখিদ্রি।
থৌদোক অসি থোকখ্রবা মতুং ঙসি অয়ুক পুং ১১.৩০ রোম তারকপদনা উখ্রুলদগী নুপা অমসুং নুপী পেসেঞ্জর ২০ লোম পুদুনা ইম্ফাল তম্না লাকখিবা টাটা ৱিঙ্গর অমা শকখণ্ডবা মীওই খরনা লিতান পি এসকী মনুং চনবা মহাদেব হায়না খঙনবা মফমগা নক্লনা লৈবা সঙ্কাই খুল মনাক্তগী নোংমৈ চিন্দোলদা খাল্লগা মমায় লৈথোকহল্লবা মতুংদা হায়জেক্ট তৌদুনা পুখ্রে হায়রি।
পাউ অসি তাবদগী লিতান অমসুং উখ্রুল পি এসকী পর্সনেলশিংনা সেন্ট্রেল ফোর্সশিংগা খূৎশম্নদুনা গাড়ী অসিগী খোঙ্গুল লীখি। অদুবু ঙসি নুমিদাং পুং ১০.৩০ তারকপা ফাওবদদি ওফিশল ওইনা মখোয়বু থাদোরকপা নৎত্রগা সিক্যুরিটি ফোর্সনা ফংবগী পাউ লৈখিদে।
অদুবু পেসেঞ্জরশিংগী মনুংদগী মীওই ১৮ থাদোরক্লগা ২/৩দি ...মখা লমায় ৩ কলম ৩

## এস আই আর হান্না পাঙথোক্লগা কোন্না সেন্সস পাঙথোক্কদবনা মতম খরা ৱাংখিগদবা মাল্লি : চীফ মিনিষ্টর

**ইম্ফাল, মার্চ ১১ (ঐচএনএস) :** মণিপুরদা স্পেশল ইন্টেন্সিভ রিভিজন (এস আই আর) হান্না পাঙথোক্তুনা য়ূম মশীং থিরবা মতুংদা সেন্সসকী থবক পায়খৎকদবনা সেন্সসকীসি মতম খরা ৱাংখিগদবা মাল্লি হায়না চীফ মিনিষ্টর ৱাই খেমচান্দনা ফোঙদোকখ্রে।
থা অসিগী ৯দগী হৌরকখিবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী ৭শুবা সেশনগী ঙসি হুম্নি চনবা নুমিৎতা কোংগ্রেস এম এল এ, কে মেঘচন্দ্রনা পুলিস দিপার্টমেন্টকী দিমান্দস ফোর গ্রান্টস খন্নরকপদা কট মোশন থাঙ্গৎলদুনা হংলকপা ৱাহংগী পাউখুম ওইনা ৱাফম অসি চীফ মিনিষ্টরনা হাউসতা ফোঙদোকখিবনি।
সী এল পিগী লিদরসু ওইরিবা কে মেঘচন্দ্রনা কট মোশন পুখৎলদুনা হায়, মথং থাগী ১দগী সেন্সস ওপরেশন মণিপুরদা হৌগদৌরি। অদুবু ষ্টেট অসিগী ওইনদি ...মখা লমায় ৬ কলম ৮

### পুলিস, পি দব্লিয়ু দি, পৱার, য়াস অমসুং আর্ট এন্দ কলচরগী দিমান্দদা কোংগ্রেসনা কট মোশনশিং থাঙ্গৎলকখ্রে



### দিমান্দ ১৪গী দিমান্দস ফোর গ্রান্টসগী লুপা ক্রোর ৫০০০ হেনবগী শেনফম পাস তৌখ্রে

**ইম্ফাল, মার্চ ১১ (ঐচএনএস) :** থা অসিগী ৯দগী চথরকখিবা এসেমব্লিগী ঙসি হুম্নি চনবা মীফমদা তোঙান-তোঙানবা দিমান্দ ১৪গী লুপা ক্রোর ৫০০০ হেনবগী অপূনবা শেনফম পাস তৌখ্রে।
ঙসিগী হাউসকী অহানবা বিজিনেস চীফ মিনিষ্টর ৱাই খেমচান্দনা কুমজা ২০২৫-২৬কী মণিপুর লোক আয়ুক্তা, কুমজা ২০২৩-২৪গী মণিপুর ইনফোর্মেশন কম্মিশনগী এন্যুএল রিপোর্টশিংগা লোয়নন্না কুমজা ২০২৪-২৫গী ইকনমিক সর্ভে মণিপুর টেবল তৌখি। ...মখা লমায় ৩ কলম ৪

### বি জে পিগী এম এল এনা বি জে পিনা লুচিংখিবা লৈঙাক্তা হায় :

## মতমদুগী লৈঙাক্না নীংথিজনা থৌশিল পায়খৎলম্লবদি ইচা কয়াগী পূন্সি মাঙলম্লোই : এম এল এ, এস রাজেন

**ইম্ফাল, মার্চ ১১ (ঐচএনএস) :**
মণিপুরগী লান হৌরক্লবা মতুং কুমজা ২০২৩গী নবেম্বর ৫গী অয়ুক্তা ময়ূমদগী থোকখিবদগী ঙসি ফাওবদা শরূ মচেৎ নৎত্রগা শেৎখি-চাখিবা ফিরোলগী মচেৎ ফাওবা ফংদ্রিবা নুপামচা অনীগী নীংশিং খুভম মায়খুম হাংদোকপদা মতম অদুদা লৈখিবা বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক্তা পার্টি অসিগী এম এল এ সোরোকখাইবম রাজেননা ‘মতম অদুগী লৈঙাক্না নীংথিনা থৌশিল পায়খৎলম্লবদি ইচা কয়াগী পূন্সি মাঙলম্লোই’ হায়না ফোঙদোকখ্রে।

### সেকমাই লান্দুনা চঙশিল্লুবদা অশি লমদম পাঙহনবীখ্রবা অভিনাস অমসুং এন্থোনিগী নীংশিং খুভম মায়খুম হাংদোকখ্রে



ৱাফম অসি মে ৩,২০২৩দগী হৌরকখিবা মণিপুরগী অকনবা লান মনুংদা চহী লিশীং ৩ হেনবগী পুৱারীগা শাগোন্নরক্লিবা মরমদম মণিপুরগী মীয়াম্বু ঙাক-শেন্নবগীদমক অরাম্বাই ...মখা লমায় ৬ কলম ৩

### মেম্বর নত্তে : চরাইরোংবা

**ইম্ফাল, মার্চ ১১ :** পাম্বৈনা লুচিংবা য়ুনাইটেদ নেশনল লিবরেশন ফ্রন্ট : মণিপুরগী দিপার্টমেন্ট ওফ পব্লিসিটি এন্দ এদ্যুকেশনগী সেক্রেটরি চরাইরোংবা থোকচোমগী চেরোল অমনা দব্লিয়ু প্রেমকুমার অমসুং এস রোকেন মখোয় অনী লালহৌলূপ অসিগী মেম্বর নত্তে হায়না ফোঙদোরক্লি।
চেরোল অসিনা হায়, হৌখিবা মার্চ ৬, ২০২৬তা মণিপুর পুলিসনা লালহৌলূপ অসিগী মেম্বরনি হায়না ফারে ...মখা লমায় ৩ কলম ১

### মীওই ৩ ব্রাউন সুগরগা কোন্না ফারে

**ইম্ফাল, মার্চ ১১ (ঐচএনএস):**
সিক্যুরিটি ফোর্সনা ঙরাং সাল্লুক সী ও বিগী পি ভি সী পিদগী মীওই ৩ ব্রাউন সুগর সাপোন কেপ ৫৮, মোবাইল ফোন ৩, ইকো ভেন এম ...মখা লমায় ৩ কলম ৩

### ককচীংগী অঙান চীং ইকো পার্ক ময়াদা চাক্লকপা লাম্মৈ মূথৎখ্রে



**ইম্ফাল, মার্চ ১১ (ঐচএনএস) :** ঙসি নুংথিল পুং ৫.২৫ রোম তারকপদা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

### মণিপুর নাগা পিপলস ফ্রন্টগী ১৩শুবা মপোক কুমওন পাঙথোকখ্রে

**ইম্ফাল, মার্চ ১১ :** মণিপুর নাগা পিপলস ফ্রন্ট (এম এন পি এফ) কী সেক্রেটরি পব্লিসিটি থোমাস ন্যুমাইনা ঙসি থোরকপা চেরোল অমদা লালহৌলূপ অসিগী ১৩শুবা মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোকখ্রে হায়রি।
চেরোল অসিনা হায়, মার্চ ১১,২০২৬ য়ূমশকৈশা নুমিৎতা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## পিটিস্নরগী কাউন্সেলনা আর্টিকল ৩৫৬ অমসুং ৩৫৭না পীবা লোগা মরী লৈনবা দোক্যুমেন্টশিং সবমিট তৌগদৌরি

### হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা ষ্টেট ইনফোর্মেশন কম্মিস্নরগী এপোইন্টমেন্ট শীংনরকপা পিটিশন

**ইম্ফাল, মার্চ ১১ (ঐচএনএস) :** কন্সটিট্যুশনগী আর্টিকল ৩৫৬কী মরী লৈনবা সেক্সনশিংগী মখাদা মণিপুরদা ফেব্রুৱারী ১৩,২০২৫দগী প্রসিদেন্টস রুল চলাইরকখ্রবা মতুং চহী অদুগী নবেম্বর ১৪দা মীওই অমবু ষ্টেট ইনফোর্মেশন কম্মিস্নর ওইনা এপোইন্টমেন্ট পীখিববু শীংনরকখিবা পিটিশনগী মখা তাবা ৱায়েলদা কোর্টকী মায়কৈদগী পিটিস্নরগী কাউন্সেলদা কন্সটিট্যুশনগী আর্টিকল ৩৫৬ অমসুং ৩৫৭না পীবা ‘এজম্পশন ওফ ফঙ্কশন্স’গী মতাংদসু মীৎয়েং চিংশিল্লকপদগী পিটিস্নরগী কাউন্সেলনা প্রসিদেন্টনা প্রসিদেন্সিএল রুল প্রোক্লেমেশন তৌখিবগা মরী লৈনবা অমসুং অতৈ অতোপ্পা দোক্যুমেন্টশিং পুথোক্লবগী মতম পীবিয়ু হায়জরকপদা কোর্টনা অয়াবা পীখ্রে।
পিটিশন অসি থাংমৈবন্দ লৌরুংপুরেল ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## পার্টিনা হোস্পিটালদা থল্লক্লিবা ৱাফমশিং হন্দোকপীয়ু : ডা. পালিন



**ইম্ফাল, মার্চ ১১ (ঐচএনএস) :** মণিপুর মীয়ামগী থৌগল পুং ২৪ লেপ্তুনা তৌরিবা শিজ হোস্পিটালদা কে সী পি - পি দব্লিয়ু জি এম সী য়ুনিফিকেশননা থল্লক্লিবা ৱাফমশিং য়ূম্ফম য়াওদবা ৱাফম ওইবগা লোয়নন্না পার্টিনা হোস্পিটাল অসিদা থল্লক্লিবা ৱাফমশিং হন্দোকপীয়ু হায়না শিজ হোস্পিটালগী মেনেজিং দিরেক্টর ডা. কে ঐচ পালিননা পাউমীশিংগী খূত্থাংদা ফোঙদোকখ্রে।
ৱাফম অসি ঙসি লাঙ্গোলদা লৈবা শিজ হোস্পিটালস এন্দ রিছর্স ইন্সটিট্যুট প্রাইভেট লিমিটেদকী ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকপা পাউগী মীফমদা মহাক্না ফোঙদোকখিবনি। ...মখা লমায় ৩ কলম ২




HL-B/11222/12


### হোম গার্দকী কম্মান্দেন্টতা হংবা ৱাহংগী পাউখুম পীরক্তে

## মণিপুর ইনফোর্মেশন কম্মিশনদা অনীশুবা আপীল ফাইল তৌখ্রে

**ইম্ফাল, মার্চ ১১ (ঐচএনএস) :**
মণিপুর হোম গার্দস এমপ্লোয়ীজ ৱেলফ্যের এসোসিএশনগী প্রসিদেন্ট ৱাই মঙ্গি, অপোকপা লৈখিদ্রবা ৱাই লুখোই (লুৱাংশঙবম ময়ায় লৈকায়) না মমাঙ চহী ২০২৫গী দিসেম্বর ৮দা ষ্টেট লৈঙাক্কী মণিপুর হোম গার্দস (ভি/এ)গী এস পি আই ওসু ওইরিবা কম্মান্দেন্টদা আর টি আই এক্ট, ২০০৫গী সেক্সন ৬(১)গী মখাদা হংখিবা ৱাহং অহুমগী পাউখুম এক্ট অসিগী মতুংইন্না পীফম থোক্লিবা মতমগী মনুংদা পীরক্তবদগী এপ্লিকান্ট অসিনা মখং-মথং ৱাকৎতুনা লাক্লবা মতুং ঙসি মণিপুর ইনফোর্মেশন কম্মিশনগী চীফ ইনফোর্মেশন কম্মিস্নরদা এক্ট অসিগী সেক্সন ১৯ (৩)গী মখাদা সেকেন্দ আপীল ফাইল তৌখ্রে।
এপ্লিকান্ট অসিনা দিসেম্বর ৮,২০২৫দা হংখিবা ৱাহং অহুম অদুদি মণিপুর হোম গার্দসকী কম্মান্দেন্টনা ওক্টোবর ৩১,২০২৫দা থোকপা ওর্দর নম্বর ১/২২/১০/২০২৫-য়ু পি (ঐচ জি)গী মখাদা অন-পেদকী তোঙান-তোঙানবা রেঙ্কশিংদা প্রমোশন পীখিবগী কেন্সেলেশন ওর্দরশিং কয়াম য়াম্না থোকখিবগে অদুগা অন-পেদকী ওইনা তোঙান-তোঙানবা রেঙ্কশিংদা লৈবা ভেকেন্সি মশীংনা কয়ানো হায়বসি ওর্দরশিং অদুগী সর্টিফাই কোপিশিংগা লোয়নন্না পীবিয়ু হায়বসিনি।
অনীশুবা ৱাহংনা দিভিজনেল কম্মান্দর/কম্পনি ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

## লৈঙাক্কী আর্মরিদগী লাকখিবা নোংমৈশিং শুনা খোমগৎপা ঙমদ্রি : হোম মিনিষ্টর

**ইম্ফাল, মার্চ ১১ (ঐচএনএস) :**
মণিপুরদা থোকপা ঈরাং মনুংদা লাকখিবা নোংমৈ মশীংদগী রিকোভর তৌবনা হেল্লে অদুবু লৈঙাক্কী আর্মরিদগী লাকখিবা নোংমৈশিংদি মশীং শুনা খোমগৎপা ঙমদ্রি হায়না হোম মিনিষ্টর গোবিন্দাস কোন্থৌজমনা ফোঙদোকখ্রে।
ঙসি এসেমব্লিদা দিমান্দস ফোর গ্রান্টসকী খন্নরকপদা য়াওখিবা পুলিসকী দিমান্দদা কোংগ্রেসকী কে মেঘচন্দ্রনা পুখৎলকপা কট মোশনগী পাউখুম পীরদুনা ৱাফম অসি মহাক্না হাউসতা ফোঙদোক্লদুনা মখা তানা হায়, ঈরাং অসিগী মনুংদা নোংমৈ ৬০২০ লুট তৌখি। অদুবু সিক্যুরিটিনা রিকোভর তৌবা অমসুং থিনগৎলকপগী মশীংদি পূন্না ৭,৪৩৭ শুরে। অদুম ওইনমক লৈঙাক্কী আর্মরিদগী লাকখিবা নোংমৈ মশীংদি লিশীং ১ ফাজিল্লক্তে হায়খি।
হোম মিনিষ্ট্রিগী পাউতাক মতুংইন্না ষ্টেটকী আর্মরিদগী লৌখিবা নোংমৈশিং অসি মশীং শুনা খোমগৎনবা কন্না হোৎনরি। ঈরাং মনুংদা লাকখিবা খূৎলায়শিং মপূং ফানা খোমগৎপা ঙম্নবগীদমক ওপরেশন অমসুং এরিয়া দোমিনেশননচিংবা লেপ্তুনা চথরি। মণিপুর অসি কুমজা ১৯৭২দা মপূং ফাবা ষ্টেট অমা ওইরবসু পুলিস মেন্যুএল কোদ অমা লৈতবনা অসাম পুলিস মেন্যুএলগী মখাদা পুলিস দিপার্টমেন্ট চলাইরি। মরম অসিনা মণিপুরগীসু পুলিস মেন্যুএল কোদ অমা থম্নবা চীফ মিনিষ্টরগী মীৎয়েং মখাদা য়াম্না কন্না হোৎনরি হায়খি।
অমরোমদা, য়াসকী দিমান্দস ফোর গ্রান্টসতা পুখৎলকপা ...মখা লমায় ৩ কলম ১


ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী, এদভর্টিজমেন্টগীদমক অমসুং রিদরস ক্যেরগীদমক মোবাইল নম্বর +৯১- ৯৭৭৪৮০৩১৪৫